## এভিএসন টর্বাইন ফ্যুএলগী মমল চাদা ৫.৫ হেনগৎলে

# এরোপ্লেনগী অতোংমল হেনগৎলক্কদৌরি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
এভিএসন টর্বাইন ফ্যুএল (এ টি এফ)কী মমল চাদা ৫.৫ হেনগৎখিবগা লোয়ননা এরোপ্লেনগী অতোংমল হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি। অমরোমদা, সবসিদাইজ তৌদবা চাকথোং গ্যাসকী ওইনদি সিলিন্দর অমদা লুপা ১১গী চাংদা হন্থরক্লে।

দিল্লিদা এ টি এফ নৎত্রগা জেট ফ্যুএলগী মমল কিলোলিটর অমদা লুপা ২,৫৫৭.৭ তগী লুপা ৪৯,২৮৭.১৮ ফাওবা হেনগৎলে হায়না ওইল কম্পনিশিংনা লাউথোকখি। থা ৫গী মনুংদা এ টি এফকী মমল থংনা-থংননা হেনগৎপা হন্দক্কী অসিনা মঙারক শুবনি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা হৌখিবা জুন ১ দা এ টি এফকী মমল চাদা ৯.২গী চাংদা হেনগৎতুনা কিলোলিটরদা লুপা ৩,৯৪৫.৪৭ তগী লুপা ৪৬,৭২৯.৪৮ ফাওবা হেনগৎখি। মতৌ অসুম্না এরোপ্লেনগী থাউ থংনা-থংননা মঙারক হেনগৎলকপা তারবসু পেট্রোল অমদি দিজলগী মমলগা য়েংনবদা হোঙলি।

দিল্লিদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৬৪.৭৬ নি অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৫৪.৭০ নি। এ টি এফকীদি লিটর অমদা লুপা ৪৯.২৮ নি। গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমসুং দিজলগী এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎহনখিবা মরম্না এ টি এফতগী হেন্না তাঙবনি হায়রি। লোকেল সেলস্ টেক্স নৎত্রগা ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভি এ টি) খেন্নবা মরম্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা এয়রপোর্টশিংদা এ টি এফকী মমল মান্নদে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ঙসি জেট ফ্যুএলগী মমল হেনগৎলকপগী মতাংদা এয়রলাইন্স-শিংগী মায়কৈদগী প্লেন টিকেটকী মমল হেনগৎহনবগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

মতম অমুক্তদা ওইল কম্পনিশিংনা সবসিদাইজ তৌদবা এল পি জিগী মমল হন্থহনখিবগা লোয়ননা কিলোগ্রাম ১৪.২ লুম্বা সিলিন্দর অমদা লুপা ১১ হন্থহনখ্রে। দিল্লিদা হৌজিক নন-সবসিদাইজ এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ৫৩৭.৫০ পীরে। হান্নদি লুপা ৫৪৮.৫০ পীরম্বনি।

থংনা-থংননা অনীরক চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎহনখ্রবা মতুংদা ঙসি এল পি জিগী মমল হন্থহনখিবনি। অহানবা ওইনা মে ১ দা এল পি জি সিলিন্দর অমগী মমল লুপা ১৮ হেনগৎহনখি অমসুং জুন ১ দনা লুপা ২১ হেনগৎহনখি।

মালেমগী কৈথেলদা লৈরিবা থাউগী মমল য়েংলগা ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন, হিন্দুষ্টান পেট্রোলিয়ম অমসুং ভারত পেট্রোলিয়মনা থা খুদিংগী অহৌবা নুমিৎতা জেট ফ্যুএল অমসুং নন-সবসিদাইজ এল পি জিগী মমল নৌনা হেক-হেক লেপ্পুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা, কনাগুম্বা মীওই অমনা এরোপ্লেন তোংবা মতমদা কা হেন্না লুম্বা পোৎ পুবা তারবসু মদুগী অপুমল হন্থরগনি। নৌনা লেপখিবা মমল অসিগী মতুংইন্না অহেনবা কিলোগ্রাম ১গী বেগেজদা শুপ্নগী লুপা ১০০ খক অহেনবা শেনফম ওইনা লৌরগনি। হান্নদি কিলোগ্রাম ১ হেন্না লুম্বদা লুপা ৩০০ লৌরম্বনি। অনৌবা মমল অসি জুন ১৫ দগী চৎনগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু দিরেক্টর জেনরেল সিভিল এভিএসন (দি জি সী এ)না জুলাই ১ ফাওবা শাংদোকহনখি। হৌজিক-হৌজিক দোমেষ্টিক এয়রলাইন্স খুদিংমক্না মীওই অমবু কিলোগ্রাম ১৫ লুম্বা বেগেজ পুরগা এরোপ্লেন তোংবা য়াহল্লি। মদুদগী হেনবা তারবদি কিলোগ্রাম ১ হেনবদা লুপা ৩০০ লৌরি।

# জুলাই ৭ তগী ১১ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অফ্রিকাগী লৈবাক মরিদা চৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা অফ্রিকা কন্টিনেন্টকা অফবা মরী থম্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জুলাই ৭ তগী ১১ ফাওবা মোজাম্বিক, সাউথ অফ্রিকা, টেঞ্জানিয়া অমসুং কেনিয়াদা চৎকদৌরি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জী অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারিনা হন্দক্তা অফ্রিকাদা চৎলুরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কন্টিনেন্ট অসিগী লৈবাক মরিদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাস স্বরুপনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া অমদি অফ্রিকাগী মরক্তা পোলিটিকেলগী ওইবা মরী চেৎশিনহনবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্তা কান্নগদবা মওংদা থবক থৌরম কয়া লৌখৎমিন্নবগী তাঞ্জা ফংলগনি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক-হৌজিক অফ্রিকাগা দোল্লর বিলিয়ন ৭৫ রোমগী লল্লোন-ইতিক তৌমিন্নরি। হৌখিবা চহী মরিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অফ্রিকাদা দোল্লর বিলিয়ন ৭.৪ রোমগী দিভলপমেন্ট অমসুং কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোজেক্ট পায়খৎখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অফ্রিকাগী লৈবাক ৪১ দা চাউরাক্লা প্রোজেক্ট ১৪০ রোম পায়খৎখি। জুলাই ৭ তগী হৌগদৌরিবা মোদিগী খোঙচৎ অসিদা মহাক্না অহানবা ওইনা মোজাম্বিকতা থুংলুরবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ন্যুসিগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না নক্নবা মরী পুরক্নবগী মতাংদা ৱারী শানরুগদৌরি।

জুলাই ৮ দগী ৯ ফাওবা মোদিনা সাউথ অফ্রিকাদা চৎতুনা প্রসিদেন্ট জেকোব জুমা অমদি অতৈ লুচিংবশিংগা উনগনি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা জোহনেসবর্গ, পিটরমেরিজবর্গ অমদি দর্বানদসু চৎকনি হায়না বিকাস স্বরুপনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকানা মতম কয়াগী মমাঙদগী অফবা মরী থম্নদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ব্রিক্স (ব্রাজিল-রসিয়া-ইন্দিয়া-চাইনা-সাউথ অফ্রিকা); ইবসা (ইন্দিয়া, ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা); জি-২০ অমসুং বেসিক (ব্রাজিল, সাউথ অফ্রিকা, ইন্দিয়া অমদি চাইনা) নচিংবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ্পিং কয়াদা থবক তৌমিন্নদুনা লাকখি।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা হায়খি, জুলাই ১০ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা টেঞ্জানিয়াগী প্রসিদেন্ট জোন পোম্বে জোসেফ মেগুফুলিগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী পুরক্নবগী মতাংদা ৱারী শানরুগনি।

খোঙচৎ অসিগী অরোইবা তাঙ্কক্তা প্রাইম মিনিষ্টরনা কেনিয়াদা চৎতুনা প্রসিদেন্ট কেনয়াত্তাগা উনদুনা লৈবাক অনীগী ওইবা হীরম কয়াদা ৱারী শানরুগনি হায়রি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিভর্সিটি ওফ নাইরোবিগী মহৈরোয়শিংদা ৱা ঙাঙলুগদৌরি।

ইন্দিয়ানা অফ্রিকাগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্নবা পান্দমগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মরিদা চৎনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়না বিকাস স্বরুপনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মমাং চহীগী ওক্টোবরদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা অফ্রিকা লৈবাকশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা অফ্রিকাগী লৈবাক ৫৪ দগী লাকপা মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

চৈরকসিদা, য়ুনিয়ন ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবদেকরনা হায়খ্রে মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসকা উনখিবা অদু অথুবা মতমদা পাঙথোক্কদবা কেবিনেট রিসফল তৌনবগী থৌরাংগা মরী লৈনদে।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা উনদুনা তোঙান-তোঙানবা মিনিষ্ট্রিশিংনা পায়খৎলিবা য়াম্না মরু ওইবা প্রেজেক্টশিংগী মতাংদা খন্নখি।

মীফম অদুদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী ৱাফম খন্নখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী অহুমগী মনুংদা পায়খৎলকখিবা প্রোজেক্টশিং কদায় ফাওবা খুমাং চাউশিল্লবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিনখি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পুন্নমক শরুক য়াখি হায়না য়ুনিয়ন ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর জাবদেকরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।



# ইন্দিয়ন এয়রফোর্সতা টেজাস এয়রক্রাফট খুৎশিন্নখ্রে



বেঙ্গলুরু, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল)না ঙসি ইন্দিয়ন এয়রফোর্স (আই এ এফ)তা লাইট কম্বেট এয়রক্রাফট টেজাস অনী খুৎশিন্নখ্রে।

এয়রক্রাফট সিষ্টেম টেষ্টিং ইষ্টাব্লিশমেন্টতা ঐচ এ এলগী চ্যেরমেন টি সুভর্না রাজুনা সাউদর্ন এয়র কম্মান্দগী এয়র ওফিসর কম্মান্দিং-ইন-চীফ, এয়রমার্শল জস্বির ৱালিয়াদা এয়রক্রাফট অদুগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং খুৎশিন্নখি। আই এ এফকী 'ফ্লাইয়িং বেগ্গরস' সক্কাদ্রোনদা খুৎশিন্নখিবা মল্টি-রোল এয়রক্রাফট অদু গ্রুপ কেপ্টেন মাধব রঙ্গচারিনা মিনিট ১০ রোম পাইদুনা ফাইটর এয়রক্রাফট অদুগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়ায়শিং য়েংখি।

মতম অমগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারী বাজপায়ীনা টেজাস হায়না মিংথোন পীরম্বা এয়রক্রাফট অসি এরোনোটিকেল দিভলপমেন্ট এজেন্সী (এ দি এ)না দিজাইন তৌদুনা শেমগৎলগা ঐচ এ এলনা বেঙ্গলুরুদা লৈবা কমপ্লেক্সতা শাখিবনি। মমাংদা এয়রক্রাফট অসি পুং ২০০০ নোংথক্তা পাইদুনা চাংয়েং তৌবা লৈখ্রবনি। অনৌবা মতমগী টেক্নোলোজি কয়া য়াওরবা ফাইটর এয়রক্রাফট অসিনা টন মরি লুম্বা খুৎশু-খুৎলায় পুবা ঙম্বগা লোয়ননা নোংথক্তগী নোংথক্তা কাপকদবা মিসাইল অমদি লেজর-গাইদেদ বোমনচিংবা পুবা ঙম্মী।

চহী অসিগী মনুংদা টেজাস এয়রক্রাফট ৬ আই এ এফতা খুৎশিন্ননবা থৌরাং তৌরিবনি। মথং চহীদনা এয়রক্রাফট ৮ খুৎশিন্ননবা থৌরাং তৌরি। মতমগা চুনদ্রবা মিগ-২১ প্লেনশিংগী মহুৎতা টেজাসনা মহুৎ শিল্লগনি হায়না আই এ এফকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সক্কাদ্রোন অমদা টেজাস এয়রক্রাফট ২০ লৈহনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা টেজাস ১এ হায়না খঙনবা হেন্না অফবা মখলগী এয়রক্রাফট ৮০ এয়রফোর্সকীদমক শেমগৎনবা থৌরাং তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেজাস এয়রক্রাফটশিং মায় পাক্লা শেমগৎতুনা এয়রফোর্সতা খুৎশিন্নখিবগীদমক এরোনোটিকেল দিভলপমেন্ট এজেন্সী অমসুং হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মপা লৈতনা ফরবা টেজাস ফাইটর জেট অনী এয়রফোর্সতা খুৎশিন্নখিবা থৌওং অদুনা ইন্দিয়ন খুদিংমকপু অপেনবা অমসুং হরাউবা পোকহল্লে।

দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকরনসু ঐচ এ এল অমদি এ দি এবু টেজাস এয়রক্রাফট শেমগৎখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, টেজাস ফাইটর জেটকী মতেংদগী ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা মালেমদা মতিক ময়ায় লৈবা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি।

## য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লো কম্মিসনদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙহনখি। ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহন্নবগীদমক লো কম্মিসনদা থৌরাং লৌখৎহনবা হন্দক্না অহানবনি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মতাংদা পোলিটিকেলগী ওইবা অচৌবা মুক্নবা অমা থোরকপা য়াই হায়না থাজনরি। করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টনা লেজিসলেসন অমা পাস তৌদুনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনবা তারবদি লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা পার্সনেল লো চৎনরগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি হিন্দু অমসুং মুস্লিমশিংগী তোখায়বা পার্সনেল লো চৎনরি। পার্সনেল লোগী মখাদা লন-থুম য়েন্থোক্নবা, লুহোংবা অমসুং নুপা-নুপী খায়নবনচিংবা থৌরাংশিং লৌখৎলিবনি।

# ইন্দো-ইজরেলি মিসাইল চাংয়েং তৌখ্রে



ভুবনেশ্বর, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়ানা ঙসি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা অহুম্লক শুবা ওইনা ইন্দো-ইজরেলি মিদিয়ম রেঞ্জ সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল (এম আর-এস এ এম) চাংয়েং তৌখ্রে।

ওরিষ্যদা লৈবা ইন্টিগ্রেটেদ টেষ্ট রেঞ্জ (আই টি আর)গী অহুমশুবা লোঞ্চ পেদতগী মিসাইল অদু চাংয়েং তৌখিবনি হায়না দিফেন্সকী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

ঙরাংসু মফম অসিমক্তদগী মিসাইল অনী চাংয়েং তৌখিবনি। অহানবগী চাংয়েং অদু মায় পাকখি। অদুবু অনীশুবা মিসাইল অদুদি টার্গেটিতা পানহনবা ঙমখিদে হায়না ছোর্স অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) অমসুং ইজরেলগী এদমিনিষ্ট্রেসন ফোর দ দিভলপমেন্ট ওফ ৱেপন্স এন্দ টেক্নোলোজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচরনা পূন্না শেমগৎপা মিসাইল অসি কিলোমিটর ৭০ শান্না কাপ্পা য়াবগা লোয়ননা য়েক্নবগী সুপরসোনিক এয়রক্রাফট অমদি মিসাইলসু ইন্টরসেপ্ট তৌবা ঙম্মী হায়রি। এম আর এস এ এম মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবগীদমক প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা দি আর দি ওবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি ডা. এস খৃষ্টোফর অমসুং দি আর দি ওগী দিরেক্টর জেনরেলদা থাবা পাউজেল অমদা মুখর্জীনা হায়খি, এম আর এস এ এম শেমগৎপা অমসুং মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওই পুন্নমক্কী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

সগোলশেন নুমিৎতসু ইন্দিয়ানা ওরিষ্যাগী সমুদ্র মপান্দা সর্ফেস-টু-এয়র বোলিষ্টিক মিসাইল অমা অনীরক হন্না চাংয়েং তৌবা লৈখ্রবনি।

দি আর দি ওনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদা লৈবাক্কী মীওই পুন্নমক্না চাউথোকচবা পোক্লি। মতুং তারকপদা দি আর দি ওনা হেন্না অফবা মখলগী মিসাইল কয়া শেমগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না চেরোল অমদা প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মিসাইল শেমগৎপা অমদি চাংয়েং তৌবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা সাইন্টিষ্ট, এঞ্জিনীয়র অমদি মরী লৈনবা মীওই খুদিংমক্কী মফমদা লৈবাক্না তৌবীমল খঙবা উৎলি হায়নসু প্রসিদেন্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ময়াই ওইরপ শান্না কাপ্পা য়াবা মিসাইল অমা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখিবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি অতৈ লৈবাক্কী লুচিংবা কয়ানসু দি আর দি ওগী সাইন্টিষ্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## উত্তরখন্দদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ৩০ শিখ্রে

ধেরাদুন, জুলাই ০১ (এজেন্সী) :
উত্তরখন্দদা খঙহৌদনা অকনবা নোং চুরকপদগী মীওই ৩০ শিখিবগা লোয়ননা য়ুম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখ্রে। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পিথোরাগর অমদি চামোলি দিষ্ট্রিক্টতা মফম অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখিবগা লোয়ননা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে হায়রি।

সুভা খুঙ্গংগী মহৈ-মরোং উবা লৌবুক কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকপগা লোয়ননা ধরচুলা এরিয়াদা খুঙ্গংশিং ফাওনবা মরু ওইবা থোং অহুম ঈচাউনা চেন্থখ্রে।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম কয়ামরুম উত্তরখন্দদা থাজিন্দুনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। অতোপ্পা টিম খরসু মথৌ তারকপা মতমদা থাজিন্নবা শেম শাদুনা লৈহল্লি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইখঙ খঙহৌদনা মিলিমিটর ৫৪ গী চাংদা নোং কন্না চুরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৩ দসু ষ্টেট অসিদা খঙহৌদনা অকনবা নোং চুরকপদগী খুদক্তা ঈচাউ থোক্তুনা মীওই ৫,৭০০ শিহনবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই লিশিং কয়ামরুমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং খরা হৌজিক ফাওবা ফংবা ঙমদ্রিবনি। কুমজা ২০০৪ দা থোকখিবা সুনামিগী মতুং তারকপদা কুমজা ২০১৩গী থৌদোক অদুনা লৈবাক অসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী তমথীবা মহৌশাগী মাঙহন-তাকহনবগী থৌদোক্নি হায়না লৌনরি।


HL-B/3123/3/06-2/07

## ꯄꯥꯝꯕ/ DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination bearing Roll No. 32591 of 2013 issued by BOSEM and Original Certificate of Class-XII Higher Secondary Examination, bearing Roll No. 17189 of 2015 issued by COHSEM on the way from my residence to Keishampat on 10/06/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/- Monika Karam*
Karam Awang Leikai
☎ 9485238860

HL-P/9000/2

## টেংথাখোং/ লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুকনুংশিং কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396), Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

## PIS Brick Field (Mechanised)

BRICK SAMPLE

ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯃꯃꯜ ꯍꯣꯡꯕ ꯌꯥꯏ (From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.00 | 3000 | Rs. 27000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 30600 |
| 1st | Rs. 9.00 | 2000 | Rs. 18000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 20400 |
| 1st | Rs. 9.00 | 1500 | Rs. 13500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 15350 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 3000 | Rs. 24600 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 28200 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 2000 | Rs. 16400 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 18800 |
| 2nd | Rs. 8.20 | 1500 | Rs. 12300 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 14150 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 3000 | Rs. 21000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24600 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 2000 | Rs. 14000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.00 | 1500 | Rs. 10500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12350 |
| Peti | Rs. 6.50 | 3000 | Rs. 19500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 23100 |
| Peti | Rs. 6.50 | 2000 | Rs. 13000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 15400 |
| Peti | Rs. 6.50 | 1500 | Rs. 9750 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 11600 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 3000 | Rs. 12000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 15600 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 2000 | Rs. 8000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 10400 |
| 3rd New | Rs. 4.00 | 1500 | Rs. 6000 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7850 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 3000 | Rs. 9000 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 12600 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 2000 | Rs. 6000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 8400 |
| 3rd Old | Rs. 3.00 | 1500 | Rs. 4500 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 6350 |

Contact: 9862048579, 7085684539, 9856052197 (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

HL-P/8540/27/05-26/07 (alt.)


## BEFORE THE OATH COMMISSIONER, MANIPUR IMPHAL

## AFFIDAVIT

I, L (O) Phajabi, aged about 61 years, M/o Leishangthem Albert Singh, a residence of Sagolband Bijoy Govinda Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur do hereby make Oath and solemnly affirm as follows:-

1. That, I am the natural mother of Leishangthem Albert Singh who passed Higher Secondary Examination, 2013 under Roll No. 22013 conducted by the Council of Higher Secondary Education, Manipur from Brajalal Institute of Sciences, Moirangkhom. This is true to my knowledge.
2. That, during the form fill-up of the aforesaid examination, my son had wrongly written his father's name as Late L. Boghenthe instead of his father's correct name Late Leishangthem Bhogendra Singh. This is true to my knowledge.
3. That, now I desire to correct my husband's name as Late Leishangthem Bhogendra Singh instead of his present recorded wrong name i.e Late L. Boghenthe in the academic records of my son in order to avoid any kind of complicacy in future. This is true to my knowledge.

Verified that the above statements made in foregoing paragraph No. 1 to 3 of this Affidavit are all true and correct to the best of my knowledge and nothing material is concealed therrein.

*Dated/Imphal*
The 16th August, 2013

*Signature of Deponent*
L. (O) Phajabi Devi

HL-P/8995/2


REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL-795004
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

**ADVERTISEMENT FOR THE POST OF DEPUTY DIRECTOR (ADMINISTRATION), REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL**

Dated: 30th June, 2016

No. 11(A)/72-MC (Pt.II): The Regional Institute of Medical Sciences, Imphal is looking for a suitable person for the post of Deputy Director (Administration), RIMS, Imphal on deputation. The scale of pay of Deputy Director is Rs. 15600-39100 + G.P. Rs. 7600/- + other allowances as admissible under rules. Interested Central/State government Class I Officers with minimum of 6 years administrative experience may apply through proper channel to the Director, RIMS, Imphal for deputation to the Deputy Director (Administration), RIMS, Imphal. The application should reach the office of the Director, RIMS, Imphal – 795004 by 30th July, 2016. Terms of deputation and other details may be seen on the RIMS website www.rims.edu.in.

Sd/-
(Prof. Ch. Arun Kumar Singh)
Director,
Regional Institute of Medical Sciences
Imphal

HL-B/3163/2

HL-B/3121/2 Jun to2 Aug (Alt)

**CAS Centre for Advanced Studies** — No.1 in Manipur
The only institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

**ADMISSION OPEN**

**CLASS XII & CLASS XI**
NEW BATCH (2016 - 2017)

**CLASS X**
(Eng, Maths, Science., Social Sc. & Man)

SPECIAL FEATURES:
- Special Guest teachers(Council & Board).
- Experienced and Expert Faculties.
- Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
- Weekly and Monthly Test Series.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Vision for toppers.

New Evening Batches Commencing from 11th July, 2016 (4.30– 7.30) P.M.




New Batches Commencing from 11th July, 2016

Morning Batch (4.30– 7.30) A.M.

Van Service, Hostel for BOYS & GIRLS available

For Details contact:- CAS Office
Centre for Advanced Studies
Keishampat Junction, Imphal.